## আই এস সস্পেক্টশিং ইরাক্তা থাখি

বাঘদাদ, মে ২৯(এজেন্সি) :
হৌখিবা চহী অমসুং কুমজা ২০১৭ গী অথেংবদা সিরিয়াদা ফাখিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফোরেন ফাইটরশিংনি হায়না চিংনবা মীওই ৩০ রোম য়ু এস ফোর্সশিংনা ইরাক্তা ৱায়েল মায়োক্লহন্নবগীদমক্তা তুমিন্না থাখি হায়বসি ইরাকি সোর্সশিংগী ৱারোল, মীওই খরগী ইন্টরভিয়ু অমদি কোর্ট দোক্যুমেন্টশিংদগী খঙবা ঙমখ্রে।
মীওইশিং অদুগী মনুংদগী ৩ দি ইস্লামিক ষ্টেটতা য়াওরম্বগীদমক্তা ইরাকি কোর্টশিংনা শিবগী চৈরাক পীখ্রে অদুগা মীওই ৫ না পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

## প্রো-আর্মি পার্টিগী ওফর য়াগনু

বেঙ্কোক, মে ২৯(এজেন্সি) :
থাইলেন্দগী মরু ওইবা ওপোজিসন ফিয়ু থাই পার্টিনা হৌখিবা মার্চকী মীখলদা কন্টেষ্ট তৌখিবা অতৈ পার্টিশিংদা রুল্লিং জল্টা চীফপু প্রাইম মিনিষ্টর ওইহনবগী ৱাফম য়াদনবা তকশিনখ্রে।

# চাইনিজ টেক জাইন্ট ৱাৱেনা য়ু এস সিক্যুরিটি লো শীংনদুনা টেক্সাস কোর্টতা মোসন ফাইল তৌখ্রে



শেনঝেন, মে ২৯ (এজেন্সি):
চাইনিজ টেক জাইন্ট ৱাৱেগী পোৎথোকশিং লৈবা অমদি শীজিন্নবদা য়ু এসনা থল্লিবা অথিংবা ককথৎপিনবা কেম্পেনি অসিনা টেক্সাসকী কোর্ট অমদা মোসন অমা ফাইল তৌখ্রে।
য়ু এসকী ২০১৯ নেসনল দিফেন্স ওথোরাইজেসন এক্ট (এন দি এ এ)না ইলিগেল ওইবা মওংদা ঙাকফম থোকপা প্রোসেস খোঙ্গাওনদুনা কম্পেনি অসিবু টার্গেট তৌখি হায়রদুনা মোসন অদু ফাইল তৌখিবনি।
ৱাৱেগী টেক্নোলোজিবু য়ু এস মার্কেটতা কম্পিটিসন য়াওবা থিংনবগী পান্দমদা দোনাল্ড ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীজিন্নখিবা এন দি এ এনা চাইনিজ টেলিকম্যুনিকেসন্স ইক্বিপমেন্ট কম্পেনি অসিবু নাম্থোকচনবগী নৎত্রগা মশা ঙাকথোকচবা য়াবগী ইভিদেন্স পুথোকচফাওবা য়াহন্দনবা মওংদা হকথেংননা টার্গেট তৌবিরে হায়না কম্পেনি অসিগী চীফ লিগেল ওফিসর সোং লীয়ু পিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মোসনদু ফাইল তৌদ্রিঙৈগী মাওইননা ফোঙদোকখি।
চাইনিজ টেকজাইন্ট অসিনা সম্মরি জজমেন্ট অমা পীবিনবা টেক্সসাকী ইষ্টর্ন দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা ফাইল তৌখিবা মোসন অদুনা মপুং ফাবা ৱায়েল অমা চথদবিদা ৱাৱেগী পোৎথোকশিংদা ইনৌ নৌনা অথিংবশিং থল্লিবদুগী অদুগী মতাংদা কোর্টনা ৱারেপ অমা পীবিনবা হায়জখি। গভর্নমেন্ট এজেন্সিশিংবু ৱাৱেনা টেলিকম্যুনেকসন্স হার্দৱ্যের শীজিন্নবদা অথিংবা থল্লিবা এন দি এ এ ক্লোজ অমগী মতাংদা চাইনিজ ফার্ম অসিনা হৌখিবা মার্চতা য়ু এস গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা কোর্টতা ৱাকৎখিবনি।
কোর্টনা ৱাৱেগী ক্লেমশিং খন্ননবা সেপ্তেম্বর ১৯ দা হীয়ারিং পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রে।
ৱাশিংটন্না চাইনিজ ফার্ম অনী হায়বদি জেদ টি ঈ অমসুং ৱাৱেদমক অকক্লনা টার্গেট তৌখিবা ওইবনা অথিংবা অদু কন্সটিট্যুসনগী চৎনপথাপগী মায়োক্তনি হায়না চাইনিজ টেকজাইন্ট অসিনা য়েৎলিবনি।
কম্পেনিনা মখা তারদুনা হায়রিমদুদি, এন দি এ এ অসি য়াম্না ফজদবা মওংদা য়ু এসকী কম্পেনিশিংদা লল্লোন ইতিক্কী খুদোংচাবা কা হেন্না পীনবা মওংদা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রসন্না চাইনাগী মায়োক্তা চথরকখিবা পোলিটিকেল ইকনমিক প্রেসর পীনবগী কেম্প্যেন অমগী শরুক অমনি। য়ু এস গভর্নমেন্টনা অয়াবা পীদুনা কম্পেনি অসিগী মায়োক্তা চথরকখিবা কেম্প্যেন অদুনা সাইবর সিক্যুরিটিদা কান্নবা পীগদবসু লৈতে। য়ু এসকী পোলিটিসনশিংনা লৈবাক পুম্বগী মতিক ময়াইবু লনাই কম্পেনি অমবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা শীজিন্নরি হায়না ৱাৱেগী চীফ লিগেল ওফিসর সোং লীয়ু পিংনা ফোঙদোকখি।

# ট্রম্পকা মোদিগা উনবগী মতাংদা খন্ননবা মাইক পোম্পিও ইন্দিয়াদা লাক্কদৌরি

ৱাশিংটন, মে ২৯ (এজেন্সি):
জপানদা পাঙথোক্কদৌরিবা জি-২০ সম্মিটগী নাকোয়ননা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীফম অমা পাঙথোক্লবগী লন্থী য়াৎনবগী পান্দমদা য়ু এস সেক্রেটরি মাইক পোম্পীও জুনগী ৩ শুবা চয়োলদা ইন্দিয়াদা লাক্লবা য়াই হায়রি।



য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সপর্সন মোর্গান ওর্টাগসনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, মাইক পোম্পীওনা মখল মখা কয়াগী ইশ্যুশিংগী মতাংদা ইন্দিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবগা খন্ননবা তঞ্জা ঙাইদুনা লৈরি। য়ু এসকী ওফিসল অসি জুন ২৮-২৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা জি-২০ সম্মিটতা শরুক য়ানবা জপানগী ওসাকাদা চৎপগী লম্বীদা ন্যু দিল্লিদসু পল্লবা য়াই হায়রি।
পোম্পীওনা ট্রেদ পেকেজ অমগী মতাং, ৱাশিংটন্না রসিয়ন মিলিটরি হার্দৱ্যেরদা অথিংবা থম্নবা কিহল্লিবশিং অমসুং ইন্দিয়ানা ইরান অমদি ভেনিজ্যুএলাদগী থাও লৈবা লেপকদবনি হায়বা ৱাশিংটনগী দিমান্দ য়াওনা মরু ওইবা ইশ্যু কয়াগী মতাংদা ইন্দিয়াগী এক্সর্টনেল এফ্যেরস মিনিষ্টর সুস্মা স্বারাজগা কুপ্না ৱারী শান্নগনি হায়না থাজনরি।
য়ু এস অমসুং ইন্দিয়ন ওফিসলশিংনা মতুংদা ফোরেন অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টরশিংগী ওইবা লৈবাক অনীগী মীফম অমা পাঙথোক্লবগী মতাংদসু খন্নরবা য়াই হায়রি।
ইন্দিয়াবু য়ু এসকী অচৌবা মীচং অমসুং পাটনর অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ওর্টাগসনা হায়, ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না মোদিগা মহাক্কী অনীশুবা টর্মদা মখল মখা কয়াগী ইশ্যুশিংগী মতাংদা নকশিননা থবক তৌমিন্নগনি।
মোদিনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী রুলিং কোলিসন্না পার্লিয়ামেন্টরি মীখলদা য়াম্না চাওনা মায় পাক্লকখিবদা ট্রম্পনা ইন্দিয়া অমসুং য়ু এসকী মরীদা অচৌবা অফবা অহোংবা কয়া লাক্লগনি হায়না মমাংদা ফোঙদোকখিবনি।

# য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট খনবগী মতাংদা ফ্রান্স অমসুং জর্মনিগী মরক্তা মোৎ মান্নদ্রে



ব্রাসেলস, মে ২৯ (এজেন্সি):
য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী এগজেক্যুটিভ মশা ওইরিবা য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদ্দেন্টগী ফম কনাদা পীগদগে হায়বগী মতাংদা ফ্রান্স অমসুং জর্মনিগী মরক্তা মোৎ চান্নদ্রে হায়রি।
য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী মীখল মতুংদা ব্রসেলজতা ব্লোক অদুগী লুচিংবশিং পুন্দুনা মীফম পাঙথোকখিবদা লৈবাক অনীগী মরক্তা ফম অদুগী মতাংদা মোৎ তিন্নদ্রে হায়বসি খঙলকখিবনি। হন্দক্তা লোইশিনখিবা মীখল অদুদা অচৌবা সেন্ট্রিষ্ট ব্লোকশিং ঈ য়ু পার্লিয়ামেন্টতা লৈরিবা মখোয়গী মেজোরিটিশিং মাঙবা উখি। অমরোমদা, গ্রিন্স অমসুং নেস্লেলিষ্টশিংনা শীংথানিংঙাই ওইনা ফিভম ফরকপগী মওং উবা ফংখি।
জর্মন চান্সলর এঞ্জেলা মর্কেলনা সেন্টর-রাইট কেন্দিদেট মনফ্রেদ ৱেবরবু ঈ য়ু কম্মিসনগী মথংগী প্রসিদেন্ট ওইহনবা পাম্মী। তৌইগুম্বসুং ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোননদি ৱেবরবু য়ুরোপকী হীরম কয়াদা ইথিল পীবা ঙম্বা ফম অদুগীদমক্তা খন্নবা য়াবা মীশক অমা ওইনফাওবা পনখিদে হায়না বি বি সীনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।
অনৌবা পোলিটিকেলকী শক্তম অমসুং করম করম্বা মীশকশিংনা য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী অচৌবা ফমশিং পায়গদগে হায়বগী মতাংদা ঈ য়ুগী লুচিংবশিংনা খন্ননবগী খুদোংচাবা তঞ্জা অমনি হায়না লৌনবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লুচিংবা অনীনা খেন্নবা মোৎশিং ফোঙদোক্লখিবনি।
মীখল অদুনা ঈ য়ুবু হীরম কয়াগী মতাংদা য়ানবা পুরকপদা হেন্না লুহনগদবা ফিভম অমদা হান্নদগী হেন্না খাইবুং তাহনখি। ভোটর অয়াম্বনা প্রো-ঈ য়ু পার্টিশিং শৌগৎখিবগী মরু ওইবা মরমদি ব্রেক্সিটনি হায়না য়ুরোপিয়ন কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড টস্কনা ফোঙদোকখি। বি বি সীগী মতুং ইন্না য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেসু খন্নবদুদা শরুক য়াখি।

# ম্যান্মার আর্মিনা মাইনোরিটিশিংগী মায়োক্তা ৱার ক্রাইমস চথখি : এম্নেষ্টি ইন্টরনেসনল রিপোর্ট

য়াঙ্গোন, মে ২৯ (এজেন্সি):
ম্যান্মারগী লালহৌবা গ্রুপ অরাকান আর্মি নমথনবা লৈবাক অসিগী গভর্নমেন্টনা ওর্দর অমা পীখিবগী মতুং ইন্না ম্যান্মার মিলিটরিনা খুৎলায় পায়বা গ্রুপ অসিগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা অকনবা কেম্প্যেন মনুংদা ৱার ক্রাইম কয়া চথখি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।
ইফে ন্যুজ রিপোর্টনা এম্নেষ্টি ইন্টরনেসনলগী রিপোর্ট অমা পল্লদুনা হায়, হৌখিবা থা কয়ামুক অসিদা লান্মীশিংনা রখায়ন ষ্টেটতা মাইনোরিটি মুস্লিমশিংগী মায়োক্তা হন্না তুনা য়েংদনা এটেক কয়া চথদুনা মীচম কয়া হাৎখি অমসুং শোকহনখি। রিপোর্ট অদুদা পল্লিবা রখায়ন ষ্টেট হায়রিবসি কুমজা ২০১৭ দা অর্মিনা অয়াম্বনা মুস্লিম রোহিঞ্জা মাইনোরোটি গ্রুপকী মায়োক্তা ওফেন্সিভ অমা চথখিবা মফম্নি। ওপরেসন অদু ম্যান্মার আর্মিনা মীওই কাঙলুপ অমবু তুরা তুনা হাৎনবা হোৎনখি হায়বগী ইভিদেন্স উবা ফংই হায়না য়ু এননা ফোঙদোকখ্রবনি।



‘নো ৱান কেন প্রোটেক্ট অজ : ৱার ক্রাইমস এন্দ এব্যুজেজ ইন ম্যান্মারস রখায়ন ষ্টেট’ কৌবা রিপোর্ট অদুদা নন-প্রোফিট গ্রুপ অসিনা মী ফাবা অমসুং কিহনবগুম্বা অরাকান আর্মিনা চথখিবা থৌওং কয়াবুসু চৈথাংখি। তৌইগুম্বসুং ম্যান্মার মিলিটরিবু লোনা য়াদবা মওংদা মী হাৎপা, ফানিংবা মতমদা মী ফাবা, মী ওৎপা, গেং রেপ তৌবা অমসুং মী ফারগা মী মাঙহনখিগুম্বা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা থৌওং কয়া চথখি হায়না মরাল শীখি।
রোহিঞ্জা কাঙলুপকী মায়োক্তা ওৎ-নৈবগী থৌওং কয়া পাক্তক্লনা চথখিবগীদমক্তা মালেম পুম্বনা কন্দম তৌদুনা লাকপা চহী ২ ফাদ্রিঙৈদা ম্যান্মার মিলিটরিনা অমুকসু রখায়ন ষ্টেটতা তারিবা ইথনিক গ্রুপশিংগী মায়োক্তা অকিবা ফংলবা ওৎ-নৈবগী থৌওং কয়া চথরি হায়না এম্নেষ্টি ইন্টরনেসনলগী রিজনেল দিরেক্টর নিকোলাস বেকিলিনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

# মেক্কেঞ্জি বেঝোসনা দোল্লর বিলিয়ন ৩৭ কী ভেল্যু ওইবা অলিমনিগী তঙ্খায় অমা চেরিটিদা কৎখ্রে

সান ফ্রান্সিকো, মে ২৯ (এজেন্সি):
এমাজন সী ঈ ও জেফ বেঝোসকী হান্নগী লোইনবী মেক্কিঞ্জি বেঝোসনা দোলর বিলিয়ন ৩৭ গী ভেল্যু ওইবা মহাক্কী অলিমনিগী তঙ্খায় অমা ইনভেষ্টর ৱারেন বফেটকী ফিলান্থ্রোপিক কেম্প্যেন-দ ‘গিভিং প্লেদজ’দা দোনেট তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে।
কুমজা ২০১০ দা বফেটনা বিল গেটস অমদি মহাক্কী লোইনবী মেলিন্দা গেটসকা লোয়ননা হৌদোকমিন্নখিবা গিভিং প্লেদজনা হৌজিক ফাওবদা ৱাটসঅপকী কো-ফাওন্দর ব্রিয়ন এক্টন, টেস্লা সী ঈ ও এলন মস্ক অমসুং ফেসবুক ফাওন্দর মার্ক জকরবর্গ অমদি মহাক্কী লোইনবী প্রিসিলা চান য়াওনা বিলিনিয়র প্লেদজর ২০৪ গী পুক্লিং চিংশিনখ্রবনি হায়না সী বি এস ন্যুজ রিপোর্টনা হায়খি।
ফিলান্থ্রোপিদা ঐহাক্না মখা তানা ৱাখল তৌনা মীৎয়েং থমখিগনি।



থৌওং অসিদা মতম হোৎনবা অমদি চেকশিনবা চংগনি। তৌইগুম্বসুং ঐহাক্কী অপাম্বা অসি পাঙথোকপদা ঙাইবা তৌরোই। ঐহাক্কী শেনগাও পুমহাং হাংদ্রিফাওবা ফিলান্থ্রোপিদা ঐহাক্না মীৎয়েং থমগনি হায়না মশাগী চহী ৪৮ শুরবী মেক্কেঞ্জিনা হন্দক্তা অফোংবা লেটর অমদা ইখি।
পুৱারীগী খ্বাইদগী চাওবা দিভোর্স সেট্টলমেন্টনি হায়নখিবা খোঙথাং অমদা হৌখিবা এপ্রিলদা বেঝোস মতৈ-মনাওনা মখোয়গী দিভোর্সকী ৱারোইশিন পুরকখিবগা লোয়ননা মেক্কিঞ্জি বেঝোসনা দোলর বিলিয়ন ৩৬ তগী দোলর বিলিয়ন ৩৭ লোম ওইগদবা এমাজনগী ষ্টোকশিং পায়নবগী রাইট ফংখি।
মেক্কিঞ্জি বেঝোসনসু মহাক্কী হান্নগী মপুরোইবদা ৱাশিংটন পোষ্ট অমসুং ব্লু ওরিজিনদা লৈরিবা মহাক্কী ইনটরেষ্ট পুম্বা অমসুং মখোয়গী অপুনবা এমাজন ষ্টোক্কী চাদা ৭৫গা লোয়ননা মহাক্কী মপুরোইবনা এমাজনগী টিমশিং মখা তানা চল্লাইবদা মতেং পাংনবগীদমক মহাক্কী স্যেরশিংগী ভোটিং রাইটস পীখি। মহাক্কী হান্নগী লোইনবীনা লৌখিবা দোনেসনগী ৱারেপ অদুবু থাগৎলদুনা মশাগী চহী ৫৫ শুরবা জেফ বেঝোসনা মেক্কেঞ্জিনা ফিলান্থ্রোফিগা মরী লৈননা থাংলক্লিবা খোঙথাং অদুগীমক্তা মহাক চাওথোকচৈ হায়খি।
ফোর্বসকী মতুং ইন্না দোলর বিলিয়ন ১১০ গী লন-থুম লৈ হায়না পানরিবা জেফ বেঝোসনা মাইক্রোসোফকী কো-ফাওন্দর বিল গেটসতগীসু লন পায়বা হেন্দুনা মালেমগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মীশক্লি হায়রি।

# টেঙ্কররশিংদা এটেক তৌবদা ইরানগী নেভেল মাইনশিং শীজিন্নরম্বা য়াই : জোন বোল্টন



অবুধাবি, মে ২৯ (এজেন্সি):
থা অসিগী অঙনবদা য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসকী সমুদ্র খোংবান মনাক্তা ওইল টেঙ্করশিংদা চথকিবা এটেক অদুদা ইরান নেভিগী মাইনশিং শীজিন্নরম্বা য়াই হায়না য়ু এস নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোল্টননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মহাক্না অনৌবা অদুগুম্বা ওপরেসনশিং পাঙথোকপগী মায়োক্তা টেহরানদা চেকশিনৱা হায়খ্রে।
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৈ-শিংনা অমসুং থৌদাং মশক খঙনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখত্তুনা ইরান অমসুং মসিগী প্রোক্সিশিংদা অসিগুম্বা এক্সনশিংদা য়ু এসকী মায়কৈদগী অকনবা পাউখুম লাক্কনি হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংনা খঙহনখি। টেঙ্কর এটেকশিং অমসুং মদুগী মতুং নুমিৎ নিনি লৈরগা ওইল পম্পিং ষ্টেসনশিংদা চথখিবা দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং অদুগী মতাংদা খন্ননবা শগোলশেল নুমিত্তা সাউদি অরাবিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা অরাব লুচিংবশিংগী ইমর্জেন্সি সম্মিটকী মাওইননা অবু ধাবিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।
ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজকী মনাক নক্লা ফুজরাহ এমিরেট হায়না খঙনবা মরু ওইবা বঙ্করিং হব অমগী মনাক্তা সাউদি টেঙ্কর অনী য়াওনা ওইল ভেসেল ৪ দা চথখিবা চিংননিংঙাই ওইবা এটেক অদুগী মতাংদা য়ু এ ঈনা হৌজিক ফাওবা কনামত্তবু মরাল শীবা লৈত্রি।
ইরানগা মীচং চুংশিন্নবা হৌথি রেবেলশিংনা ক্লেম তৌখিবা দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং অদু টেহরাননা ওর্দর তৌদুনা পাঙথোকখিবনি হায়না রিয়াধনা মমাংদা মরাল শীখি। পনবা য়াবদি, সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইরানগী মরক্তা শোক্লবা প্রোক্সি লান অমনি হায়না লৌনবা চহী ৪ শুরক্লবা কনফ্লিক্ট অমদা ইরান্না শৌগৎলিবা হৌথিশিংনা য়েমেনদা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন অমগা লান শোক্লদুনা লাক্লিবনি। ইরানগী মায়কৈদগী এটেক অনীমক্তা লৈবাক অসি চেন্নদে হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।
টেঙ্কর এটেকশিং অদুদা শীজিন্নখিবা খুৎলায়শিং অদু ইরানদগী লাকপা নেভিগী মাইনশিংনি হায়বদা চিংননিংঙাই লৈতে হায়না ঐহাক্না থাজে। থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা কনাগী খুৎ য়াওই হায়বসি ৱাশিংটনদা খঙনদবা অমত্তা লৈত্রে। অদুনা ঐখোয়না খঙলিবসি ইরানগী লুচিংবশিংনা খঙজিনবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না য়ূ এস নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোল্টননা হায়খি। বোল্টনগী কমেন্টশিং অসিগী মতাংদা ইরানগী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইনা করিমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

ADVERTISEMENT NO. 1/2019
Dated, the 27th May, 2019

No. MU/6/14/2019/Admn.I (Pt): Applications in the prescribed form are invited from Indian Nationals for filling up the following Group-A posts in the Manipur University.

| Post Code | Name of Post | Scale of pay (Revised) | Pay Level in the Pay Matrix | No. of Post | To be filled by the following category |
|---|---|---|---|---|---|
| 01. | Registrar | Rs. 144200-218200/- | Level-14 | 1 | UR |
| 02. | Controller of Examinations | Rs. 144200-218200/- | Level-14 | 1 | UR |
| 03. | Librarian | Rs. 144200-218200/- | Level-14 | 1 | UR |
| 04 | Finance Officer | Rs. 144200-218200/- | Level-14 | 1 | UR |
| 05 | Director, UGC, HRDC | Rs. 144200-218200/- | Level-14 | 1 | UR |
| 06. | Principal Manipur Institute of Technology (MIT) | Rs. 144200-218200/- | Level-14 | 1 | UR |
| 07. | Deputy Librarian | Rs.79800-211500/- | Level-12 | 1 | UR |
| 08. | Deputy Finance Officer | Rs.78800-209200/- | Level-12 | 1 | UR |
| 09. | University Engineer | Rs.78800-209200/- | Level-12 | 1 | UR |
| 10. | Systems Manager | Rs.78800-209200/- | Level-12 | 1 | UR |
| 11. | Information Scientist | Rs. 56100-177500/- | Level-10 | 1 | OBC |
| 12. | Assistant Registrar | Rs. 56100-177500/- | Level-10 | 4 | 1-UR<br>1-SC<br>1-PWD (UR)<br>1-OBC |
| 13 | Programmer | Rs. 56100-177500/- | Level-10 | 1 | UR |
| 14. | Medical Officer | Rs. 56100-177500/- | Level-10 | 1 | UR |
| 15. | Curator | Rs. 56100-177500/- | Level-10 | 1 | UR |
| 16. | Public Relations Officer | Rs. 56100-177500/- | Level-10 | 1 | UR |
| 17. | Hindi Officer | Rs. 56100-177500/- | Level-10 | 1 | UR |

Application form and General terms and conditions can be downloaded from the University website: www.manipuruniv.ac.in or can be obtained from the University Cash Counter on payment of Rs. 100/- in cash.

Application fee of Rs. 1000/- for UR & OBC candidates and Rs. 400/- for SC/ST/PWD candidates has to be remitted through RTGS/NEFT to State Bank of India, Manipur University Branch, Canchipur, Imphal, India on Account No. 35870889269 and IFSC: SBIN0005320.

**Duly filled in application form complete in all respect along with relevant documents and proof of fee submission must reach to The Registrar, Manipur University, Canchipur, Imphal – 795003,** preferably through speed post/registered post on/before the 29th June, 2019.

Those in service should apply through proper channel.

The candidates who had applied earlier for the posts against the **Advt. No.2/2011 dated 28th March 2011, Advt.No.2/2011 dated 22nd December 2011, Advt. No. 1/.2014 dated 22nd October, 2014, Advt. No. 2/2015 dated 16th December, 2015** and **Advt. No. 1/2017** dated 3rd **August, 2017** need not apply afresh but may update their bio-data, if willing.

The **'Name of the Post Applying For'** must be clearly mentioned on the envelope containing the application.

Sd/- T. Shantikumar Singh
Deputy Registrar (Admn.)

HL-B/5420/29,30